HUEIYEN LANPAO

# নিরজ চোপ্রানা ইন্দিয়াগী ৮ শুবা গোল্ড লৌখ্রে, ঙসি এসিয়ন গেমসকী ৯ নি শুবা নুমিৎতা

# ইন্দিয়ানা সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ হাপচিল্লগা পূন্না মেদল ৫ ফংদুনা ৯ শুবা থাক্তগী হোংদ্রি

18th ASIAN GAMES
Jakarta Palembang 2018



*নুপাগী জেভলিন থ্রোদা মিটর ৮৮.০৬ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী এথলিট নিরজ চোপ্রা*

জকরতা/পালেম্বাং, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ নুপাগী জেভলিন থ্রোদা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থন্বা ঙল্লিবা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা ঙসি ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী মাপননি শুবা নুমিৎকী এথলেটিক্সকী কম্পিটিসনদা মিটর ৮৮.০৬ লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। ঙসি ইন্দিয়াগী এথলেটিক্সকী ওইনা পূন্না গোল্ড মেদল থারগা মরি ফংখি। নুপাগী মিটর ৪০০ গী হরদল লমজেলদা ইন্দিয়াগী ধরুন অয়াসামি সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। নুপীগী মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলচেজতা ইন্দিয়াগী সুধা সিংহনা সিলভর মেদল ফংখি। লোয়নন্না নুপীগী লোং জম্পনা নিনা ভারাকিলনা সিলভর মেদল অমসু হাপচিনখি অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস বেদমিন্টনদা সাইনা নেহৱাল সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি।

নিরজ চোপ্রাগী মায়কৈদগী গেম অসি হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা নুপাগী জেভলিন থ্রোদা গোল্ড মেদল ফংবগী অচৌবা থাজবা অমগা লোয়নন্না মহাক মশামক্না হৌদোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা টিম অদুবু লুচিংখি। ঙসিগী কম্পিটিসন অদুদা মহাকপু চাওনা লম্বা তৌনগদবা এথলিটকশিং অদু ফজবা ঙমখিদবদগী মহাক্না লম্বা ইতৌ তৌরক্তনা গোল্ড মেদল অদু লৌখি। নিরজ চোপ্রাগী মিটর ৮৮.০৬ কী দিষ্টেন্স অদু ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দনি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা চাইনাগী এথলিট লিয়ু কি জেননা মিটর ৮২.২২ লংলগা ফংখি। লোয়নন্না পাকিষ্টানগী এথলিট অর্সদ নদিননা মিটর ৮০.৭৫ লংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলচেজতা ইন্দিয়াগী সুধা সিংহনা সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখি। মহাক্না ইভেন্ট অদু মিনিট ৯:৪০.০৩ দা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা বাহরেনগী ৱিনফ্রেদ য়াবিনা মিনিট ৯:৩৬.৫২ দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা ভিএটনামগী থি ওন ঙুয়েননা মিনিট ৯:৪০.৮৩ দা ফংখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৪০০ গী হরদল লমজেলদা ইন্দিয়াগী ধরুন অয়াসামিনা সেকেন্দ ৪৮.৯৬ তা মহাক মশামক্না থমজবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগায়দুনা সিলভর মেদল ফংখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা কতারগী অবদররহমন সম্বানা সেকেন্দ ৪৭.৬৬ তা লৌখি। হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা ধরুননা মেদল ফংবা অসি ইন্দিয়াগী এথলেটিক্সকী পুৱারীদা কুমজা ২০১০ গী মতুংদা অহানবা ওইরি।

নুপীগী লোং জম্পতা ইন্দিয়াগী এথলিট নিনা ভারাকিলনা মিটর ৬.৫১ চোংদুনা সিলভর ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা গোল্ড মেদল অদুনা ভিএটনামগী বুই থি থু থাওনা মিটর ৬.৫৫ চোংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা চাইনাগী জু জ্যাওলিংনা মিটর ৬.৫০ চোংলগা ফংবা ঙমখি। মালেমগী ওইনা ইভেন্ট অসিগী রেকোর্দ অসি মিটর ৭.৫২ দা লৈরি। লোয়নন্না এসিয়ন গেমসকী রেকোর্দনা মিটর ৬.১৯ দা লৈরি।

নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসকী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগী মখূৎতা ১৭-২১, ১৪-২১ দা মায়থীবা নংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ১৯৮২ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী সাহিদ মোদিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং সাইনা নেহৱালনা অহানবা বেদমিন্টন মেদল ফংবা শান্নরোয় ওইরি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৩ পি ভি সিন্ধুনা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় অকানে য়ামাগুচিবু ২১-১৭, ১৫-২১, ২১-১০ দা থোইদুনা হয়েং গোল্ড মেদলগীদমক্তা টাই জু য়িংগা শান্নরগনি।

ঙসি নুপীগী হোক্কীদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা হেট-ট্রিক চনখিবা অমদি টিমমেট মোনিকা অমদি নবজোট কোরনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী বিকাস অমসুং অমিত ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। বিকাস কৃষ্ণননা কেজি ৭৫ গী কাঙলুপতা পাকিষ্টানগী বোক্সর তনবির অহমদপু ৫-০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। বিকাস এসিয়ন গেমসকী ২০১০ ইদিসনদা গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং ২০১৪ গেমসতনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না চাইনাগী টোহেতা আরবিকৈগা লম্বা থেংনরগনি। করিগুম্বা বিকাসনা সেমি ফাইনেল য়ৌরক্লবদি এসিয়ন গেমস অহুম থংন-থংননা শরুক য়াবদা মেদল ফংবা অহানবা বোক্সর ওইগদৌরি।

সাইক্লিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী পর্সুট টিম ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা অথোকপম বিকে, মঞ্জিৎ, দিলাৱর অমসুং রাজু ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী মমৈ তাদুনা লৈহৌবনি। অমরোমদা নুপীগী কাঙলুপতা মণিপুরদগী হৌখিবী সোনালি চনু, এলাংবম চাওবা, নয়ানা প্রিয়াদর্শিনি অমসুং মেঘা গুগরসু ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মমৈদা লৈহৌদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 86 | 62 | 43 | 191 |
| 2 | Japan | 43 | 36 | 57 | 136 |
| 3 | South Korea | 28 | 36 | 42 | 106 |
| 4 | Indonesia | 22 | 15 | 27 | 64 |
| 5 | IR Iran | 17 | 15 | 15 | 47 |
| 6 | Chinese Taipei | 12 | 12 | 17 | 41 |
| 7 | DPR Korea | 12 | 6 | 7 | 25 |
| 8 | Thailand | 9 | 10 | 33 | 52 |
| 9 | India | 8 | 13 | 20 | 41 |
| 10 | Kazakhstan | 7 | 8 | 28 | 43 |
| 11 | Uzbekistan | 6 | 13 | 12 | 31 |
| 12 | Bahrain | 6 | 3 | 3 | 12 |
| 13 | Hong Kong | 3 | 11 | 15 | 29 |
| 14 | Malaysia | 3 | 8 | 6 | 17 |
| 15 | UAE | 3 | 6 | 3 | 12 |
| 16 | Singapore | 3 | 4 | 10 | 17 |
| 17 | Qatar | 3 | 3 | 1 | 7 |
| 18 | Mongolia | 3 | 2 | 5 | 10 |
| 19 | Philippines | 3 | 0 | 12 | 15 |
| 20 | Vietnam | 2 | 11 | 13 | 26 |
| 21 | Kyrgyzstan | 2 | 5 | 9 | 16 |
| 22 | Jordan | 2 | 1 | 8 | 11 |
| 23 | Kuwait | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 24 | Cambodia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 25 | Macau | 1 | 2 | 1 | 4 |
| 26 | Lebanon | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 27 | Iraq | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 28 | Korea | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 29 | Lao PDR | 0 | 2 | 2 | 4 |
| 30 | Saudi Arabia | 0 | 2 | 1 | 3 |
| 31 | Turkmenistan | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 32 | Tajikistan | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | Pakistan | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 34 | Myanmar | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 35 | Afghanistan | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 36 | Syria | 0 | 0 | 1 | 1 |

Table title: 2018 Asian Games Medal Tally



*সিলভর ফংখিবী সুধা সিংহ*



*সিলভর ফংখিবা ধরুন অয়াসামি*



*সিলভর ফংখিবী নিনা ভারাকিল*



*ব্রোঞ্জ লৌখিবী সাইনা নেহৱাল*

## নুপীগী চহী ১৭ মখাগী কেটিগরিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা চেম্পিয়ন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা কেটিগরি অসিগী রন্নর্স অপ তাহৌরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেযর্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টপু মায়থীবা পীরল্লগা কাঙলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

চহী ১৪ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপতা দিষ্ট্রিক্ট ১৫ অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কেটিগরিদা দিষ্ট্রিক্ট ১৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ২০১৮ গী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর শান্নখি। মেচ অদু বিষ্ণুপুরনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা চুরাচান্দপুরবু লাকচনা শান্নখি। সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।



অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট শান্নখি। মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইম্ফাল ইষ্টপু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। কেটিগরি অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টনা বিষ্ণুপুরবু গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা কেটিগরি অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা বিষ্ণুপুরনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী চহী ১৪ গী কাঙলুপকী মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা উখ্রুল অমসুং কাংপোকপী শান্নখিবা মেচ অদু উখ্রুলনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি। ২শুবা গ্রাউন্দদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট শান্নখিবা মেচ অদু চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। ৩ শুবা গ্রাউন্দদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শান্নখিবা মেচ অদু ককচিংনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখি।

কেটিগরি অসিগী ৪ শুবা গ্রাউন্দদা ঙসি তেংনৌপল অমসুং চুরাচান্দপুর শান্নখিবা মেচ অদু তেংনৌপলনা চুরাচান্দপুর গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা গ্রাউন্দ অমসুং কেটিগরি অসিগী অরোইবা মেচ ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শান্নখিবা মেচ অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টপু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। নুপাগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি। ২ শুবা গ্রাউন্দদা কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট শান্নখিবা মেচ অদু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টপু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। কেটিগরি অসিগী ৩ শুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট গোল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

## ২ শুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিজিনস মুক্না এসোসিএসন (আই এম এ) ককচিংনা শীন্দুনা ককচিং খুল্লেনদা লৈবা ইবুধৌ খল্লাংবা লাইকোলদা ঙসি অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মুক্না শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ককচিংগী দি সী নৈলেন্থাং টেলিয়ন, ইন্দিজিনস মুক্না এসোসিএসন (আই এম এ) ককচিংগী চীফ এদভাইজর এন মনিবাবু, ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম এ) গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অরুন থাংজম অমসুং এ এম এম এগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম চৌরজিৎনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটিগরি অহুম খায়দোক্তুনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মুক্না শান্নরোয় ৬০ হেনবনা শরুক য়াখি। মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা অমসুং লাইগা শাগোন্ননা শান্নদুনা লাক্লিবা মশান্না অসিবু লমদম অসিদা চাউখৎহনবদা নত্তনা লৈবাক অসিদসু চাউখৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

## মণিপুর থাঙ-তা ফেষ্টিবেল ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী ২৭ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা চথরকখিবা থাঙ-তা ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনখ্রে।

থাঙ-তা ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার, খা মণিপুর থাঙ-তা একাদেমি ৱাবগাইগী শিন্তাকপুরেল য়ুম্নাম অমুমচা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রিয়োকুমার অমসুং হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চাবাবুনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী শিন্দমশঙ ৮ গী নুপী অমসুং নুপা শান্নরোয় ৯৫ না শরুক য়াদুনা থাঙ-তা ফেষ্টিবেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমহনখি। থাঙ-তা ফেষ্টিবেল ২০১৮ অসিদা তোঙান তোঙানবা শিন্দমশঙ কয়াগী আর্টিষ্টশিংনা থাঙ-তাগী দেমোনষ্ট্রেসন কয়াসু উৎখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা থাঙ-তা মশান্না অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদা কান্নবা কয়াসু পীরি। মশান্না অসি চাউখৎহনবা অমসুং পাকথোক-চাওথোকহনবা হায়বসি লমদম অসিদা লৈরিবা থাঙ-তা মশান্না অসিবু য়োকখৎহন্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি।

## চাইনাগী সু বিংটিয়ানন্না নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা অনৌবা গেমস রেকোর্দ অমা থমদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে

জকরতা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ চাইনাগী সু বিংটিয়াননা নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা এসিয়ন গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেল অদুদা সু বিংটিয়াননা সেকেন্দ ৯.৯২ চেন্দুনা হান্না লৈরম্বা সেকেন্দ ৯.৯৩ গী এসিয়ন গেমস রেকোর্দ অদু থুগায়খিবনি। কুমজা ২০১৪ ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা কতারগী এথলিট ফেমি ওগুনোদিনা সেকেন্দ ৯.৯৩ চেল্লগা এসিয়ন গেমসকী রেকোর্দ থল্লম্বনি।

এসিয়াগী ওইনদি সু বিংটিয়ান অমসুং ফেমি ওগুনোদিনা সেকেন্দ ৯.৯১ দা চপ মান্নবা মওংদা রেকোর্দ থম্মিন্নরিবনি। অমরোমদা মালেমগী ওইবা রেকোর্দ অদুনা জমাইকাগী এথলিট উসেন বোল্টনা কুমজা ২০০৯ দা জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপতা হায়রিবা মিটর ১০০ গী লমজেল অদু সেকেন্দ ৯.৫৮ দা চেন্দুনা হৌজিক ফাওবদা মঙোন্দগী হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙন্বা এথলেট অমত্তা লৈত্রি।

ঙরাংগী এসিয়ন গেমসকী নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেল অদুদা চাইনাগী সু বিংটিয়াননা অনৌবা গেমস রেকোর্দ অমা থল্লগা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং কতারগী টোসিন ওগুনোদিনা সেকেন্দ ১০.০০ চেল্লগা সিলভর লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা জপানগী রিওটা য়ামাগটাসু সেকেন্দ ১০.০০ দা চেল্লগা লৌখিবনি। মখোয় অনীমক ফাইনেল অদুদা মতম চপ মান্নবা য়ৌরবসু মমাঙগী ক্বালিফায়িং রাউন্দশিংদা ফজবা টাইমিং য়েংখৎলগা জপানগী এথলিট অদুনা অহুমশুবা তাহৌবনি।



চাইনাগী সু বিংটিয়াননা এসিয়াদা অহানবা ওইনা নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেল অদু সেকেন্দ ১০ গী মনুংদা চেনবা ঙন্বা এথলিট ওইখি। মহাক্না চাইনাগী ৱুহানদা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অদুদা কুমজা ২০১৫ দা সেকেন্দ ৯.৯১ দা চেন্দুনা এসিয়াগী অহানবা মিটর ১০০ গী লমজেল অদু সেকেন্দ ১০ গী মনুংদা চেনবা ঙন্বা ওইখিবনি। মদুগী মতুং কতারগী এথলিট ফেমি ওগুনোদিসু সেকেন্দ ৯.৯১ চেনবা ঙন্বা এসিয়াগী অনীশুবা এথলিট ওইরি। নুপীগী মায়কৈদা নাইজিরিয়াদা পোকখিবী বাহরেনগী সিটিজন ওইরিবী ইদিদিয়োং ওদিয়োংনা সেকেন্দ ১১.৩০ দা চেন্দুনা নুপীগী খ্বাইদগী লমজেল য়াঙবা ওইখি। য়াম্না থাজদবা মওংদা ইন্দিয়াগী এথলিট দুটি চান্দদগী ওদিয়োংনা ফোটো ফিনিসতা খেন্নখিবদগী দুটিচান্দ সিলভর মেদল ফংহৌবনি। করিগুম্বা দুটি চান্দনা লোইশিল্লকপদা মায়গী শরুক্তু হান্না ইনশিল্লন্নবদি মহাক্না গোল্ড মেদল ফংলমগদবনি।

## ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) না হৌখিবা ওগষ্ট ১৬ কী একজিক্যুটিব কাউন্সিলনা ফমখিবা মীফম অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৮-১৯ গী ভোলিবোল টুর্নামেন্টশিংগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে।

ইভেন্টশিং অদুদি চহীসিগী সেপ্টেম্বর ৩০ দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কে ৱাই এস য়ু কৈরেন্থীখোকতা ১৭ শুবা মিনি বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯, চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৩ দগী ২৭ ফাওবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেমদো পাঙলতাবীদা ১৭ শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯, ওক্টোবর ১৪ দগী ১৮ ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই এফ দি ও হৈরাঙ্গোইথোংদা ৩৮ শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ অমসুং ওক্টোবর ৬ তগী ১২ ফাওবা লিলোং চজিংগী এল সী ৱাই, সী সী সী এল ইনষ্টিট্যুসনদা য়ুথ এন্দ সিনিয়র (মেন এন্দ ৱুমেন) ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি এল বালেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

ৱারোল অসিনা মখা তানা লাক্কদৌরিবা ভোলিবোল টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুকয়ানিংবা ক্লব, এসোসিএসন অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা সেপ্টেম্বর ৬ তগী ১৪ ফাওবগী নুংথিল পুং ২ তাবদগী ৪ ফাওবা ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা এন্ট্রি তৌবা য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌদ্রিবা ক্লব, এসোসিএসন অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা এফিলিএট তৌবা য়ারগনি। এফিলিএসন রিন্যুএল ফীনা লুপা ৪০০ অদুগা ন্যু এফিলিএসন ফীনা লুপা ৫০০ ওইগনি। লাক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা মিনি বোইজ অমসুং গর্লসকী টুর্নামেন্ট ফীনা লুপা ৩০০ অমসুং অতোপ্পা কেটিগরিশিংগীনা লুপা ৪০০/৪০০ ওইগনি হায়রি।

ষ্টেট লেভেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভোলিবোল টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন-শিংনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৪ গী মনুংদা ফোর্ম সবমিট তৌবা য়াগনি হায়নসু খঙহল্লক্লি। স্ক্রিনিং তৌবগী মতমনা সেপ্টেম্বর ১৬ কী পুং ৭ তাবা মতমদা ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসি-এসনগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি হায়না এ এম ভি এগী সেক্রেটরি এল বালেশ্বরনা মখা তানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com